# ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচ এন এস)ঃ অৱাং-নোংপোক থংবা লমদমদগী লাক্লগা লৈপাক অসিগী অতৈ শরুকশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা চত্থরিবা ওৎ-নৈবা, ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবা, হাৎপা-তুপ্পগী থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসিবু নাকল অনীমক্তগী থোকহনবনি হায়বা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটকী ৱাফম অসি য়ুস্ফম য়াওদবা ৱাহন্থোক থোক্তবা ৱাফম্নি অমসুং ৱাফম অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না খম থেংনা য়ানিংদে হায়না য়ুনাইটেদ পিপল'স ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ, মণিপুরগী পল্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি এল সৈত্যামনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা নাকল অনীমক্কী অশোইবনি হায়বসিদা অৱাং-নোংপোক লমগী মীওইশিংগী অশোইবা-অরানবা করিনো হায়বা ময়েক শেংনা মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি। রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসন অসি লোই-লম লৈঙাক মপুনা চত্থবা থৌওং অমনি। অদুনা অৱাং নোংপোক লমগী মীওইশিংদা চত্থরিবা রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসন অসিনা মশানা লমদম অসি লোই-লমগী লৈঙাকনি হায়বা তাকচরে।

লোয়নন্না ফজনা, নীংথিনা শেম শারবা থৌওং-থৌশিল অমনা অৱাং-নোংপোক লমগী মীওইশিংদা চত্থরিবা ওৎ-নৈবা, হাৎপা-তুপ্পা, ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লিবা ময়ামশিং চত্থহনবনি হায়বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ৱাঙাং অসিনা তাকচরে হায়রি।

ইন্দিয়া অপুনবদগী তোখায় তাবগী ঈহৌ লাক্লিবা ময়াম অসি অসিগুম্বা লোই-লম লৈঙাক্কী থৌওং-থৌশিল অসিনা থোকহনবনি অমসুং লোই-লম লৈঙাক্কী থৌওং উথোকচবনি। ৱাফম অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা শেংদোক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোক্ত্রবদি অৱাং-নোংপোক লমদম অসি লোই-লম লৈঙাক্কী মীৎয়েংদা য়েংলি হায়না লৌগনি হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস' য়ুনিয়ন (এমসু), ময়াই লোইশঙগী প্রসিদেন্ট থিয়াম নরেশনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদা হায়বদি এন ঈকী ৱাংমদা মহে-মশিং তমদুনা লৈবা অমসুং থবক তৌদুনা লৈবা অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিংদা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা কাঙলূপ, কুচ্চু, শক মান্নদে হায়দুনা রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসনগী ওইবা মীহাৎ-মীপুন, নুপী ওইবীগী ঈকায় খূম্নবা তেমশিংনবা, মোলেষ্ট তৌবা অমসুং মখল কয়াগী মোরেল থ্রীটনচিংবা কয়া অমা চত্থদুনা লাক্লি।

ঙসি ঙসিসু মহে-মশিং তম্বা অমসুং থবক তৌদুনা লৈবা মীওইশিংগী ৱাখলদা হোরেন হয়েং করি থোক্কনি খঙদবা মিপায়বা কয়া অমা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা হৌজিক হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমনা মহাক্কী ওইবা ৱারোল অমা এন ঈদা লাক্তুনা চত্থরিবা থবক অসি নাকল অনীমক্কী ওইবা অশোইবা লৈবননি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসিগী ৱাখল্লোন করিনো? অসিগুম্বা থৌওং অসিনা এন ঈগী মীওইশিংদা মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা হেন্না ক্রাইম চত্থদুনা থৌনা হাপ্পবা ওইনা থোক্লে। লোয়নন্না হেন্না ক্রাইম থোকহল্লকপা য়াবগী খুদোংচাদবা পীবা ওইনা থোক্কনি। অসিগুম্বা কাঙলূপ-কুচ্চু নাইবা থৌশিল অসিনা এন ঈ মীয়ামদা তোখায়না তানিংবগী ৱাখল পোকহল্লি হায়রি।

লোয়নন্না রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসনগী থৌওং অসি য়ু এনগী জেনেভা কনভেন্সনগী চার্টরশিংনা য়াদবা থৌওং অমনি। অমরোমদা অসিগুম্বা জেনোসাইদ থোকহনবা য়াবা থৌশিল অসি খুদক্তা লেপকদবনি। করিগুম্বা লেপত্রবদি এন ঈগী মীয়াম্না মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীয়ামগা চাইনা পুঙদা লেপ্পা হায়বসি শোইদ্রবা ৱাফম্নি। রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসন চত্থবা অসি লোইলম লৈবা, লোইলমগী লৈঙাক চৎপা লৈপাকশিংদা চত্থবা থবক অমনি। অদুনা এন ঈগী মীওইশিংনা চত্থরিবা অসি তশেংনা এন ঈ অসি ইন্দিয়াগী লোইলমলা হায়বসি ৱাহং অমগুম থোক্লে হায়বসি হৌজিক এন ঈগী মীয়াম হঙমিন্নবা চুপ্লে হায়রি।

অসিগুম্বা য়াম্না চৎনবা য়াদবা থবক থৌওং অসি এন ঈগী মীওইশিংদা চত্থবা অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা খঙবীদনা নাকল অনীমক্কী অশোইবা লৈ হায়বসি পাল্লিবা অমসুং লৈরিবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসি ঐখোয়বু ঙাকশেন্নবা লৈরিব্রা নৎত্রগা লোইলম লৈঙাক্কী ওইবা লৈঙাক অমা লৈরব্রা হায়বসি মতাং চানা খঙমিন্নবা চুমগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী ৱাফম অসি মীয়ামদা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি। লোয়নন্না লৈপাক মীয়ামনসু হৌজিক লৈরিবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টতা মীয়ামগী অপাম্বা ফোঙদোকমিন্নবা চঙলে হায়রি।

# 'পুয়া মৈ থাবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবগী ৱাফম্না খুন্নাইগী অরেপ্পনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচ এন এস)ঃ পুয়া মৈ থাবগী ৱাফমদি চৈথারোল কুম্বাগী ৱাফম্না খুন্নাই অরেপ্পা ওইগনি মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙগী পাউল্লোয় এন জি রঞ্জিতনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, তুরেনগী তৎতনা চেন্থরকপগুম্না অঙম্বা মতমদগী হৌর্কলগা হৌজিক ফাওবদা মৈনা ৱাই, তাংনা শমদুনা চহী লিশিং ২ হেন্না লৈরক্লবা ইনিংথৌ কাংবগী মতমদগীনা নিংথৌ ওকেন্দ্রোনা নিংথৌ ওইরিঙৈ অমসুং নিংথৌ ওইদ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা থৌরম থৌদা কয়া মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙ অসিনা থৌরম থৌদা কয়াদা মাঙজিন থারগা লৈপাক্কী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাইথৌ-তিনথৌ, উমংলাই হরাউবা, ক্বাক তানবা, লমতাগী লমতাইবা, শজিবুদা কোংবা লৈথোং পাৎপা, শজিবু লৈখুল ফুনবনচিংবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙগী মায়কৈদগী ইরমদম কংলৈপাকসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী মফমদা থমজনিংবা ৱাফম খরদি, ইরমদম অসিগী অশেংবা অচুম্বা পুৱারী কয়া লৈনা লৈনা অচুম্বা অদুবু নাথৈদুনা থম্লগা অরানবা পুৱারীদা য়ুস্ফম ওইরগা লাল্লে খঙনা খঙনা লৈপাক কাং খোং চাইহনবরোমদা মখোঙ থাংজিনখ্রবা মশাগী মরান্না মপোৎ ফাদুনা মীওই খরা থেংনরগা মখোয়গী মিংচৎ ৱাংনা থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা ঈকায়খঙদবা শারগা ইরমদম কংলৈপাক অসিগী ইপা ইপুশিং অমসুং তুংদা লাক্কদবা মীরোল কয়াগী য়েংদুনা ইরমদম অসিগী য়াংলেন শরূ অমগুম্না লৈরিবা অমসুং পুৱারীবু নৈনরিবা মীওই চা কয়াগী মীৎ নাকোং ওইরিবা চৈথারোল কুম্বাববু নাথৈদুনা থম্নবা খক হোৎনরোইদবনি। লাল্লে খঙলবদি নশা নশানা লাল্লে হায়দুনা মীয়াম মাঙদা হায়বনা তুংগী য়াইফবা অমসুং নশাগী মিংচৎ লৈবসু ওইগনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক পুয়া মৈ থাখিবগী মতাংদা চয়েৎনবা থোকহল্লিবা ৱাফম অসিদা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসিবু লৈপাক মীয়াম্না য়ানরবা পুয়া লাইরিকশিংলা নৎত্রগা য়ানদ্রিবা পুয়া লাইরিক্লা? ওথোরিটি ওইরবা পুয়া লাইরিক্তগী রিফরেন্স লৌদুনা ইবা লাইরিক্লা? ওথোরিটি ওইদবা, রিফরেন্স য়াওদবা পুয়া লাইরিক্লা? মীওইবা অমগী অনিংবা অপাম্বা ৱাখল্লোন্দগী পংই ইরগা পুথোকপা পুয়া শাবা লাইরিক্লা? হায়বদি য়ুম্না কুপ্পা ঙসিগী লৈঙাক মপুং ওইরিবা মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা য়েংশিনবীরগা অশেংবা অমা খঙলবা মতুংদা থৌরম অসি পাঙথোকপীয়ু হায়রি।

মরম অসিনা পুয়া লাইরিক কয়া মৈ থাখিবগী মতাংদা চয়েৎনবা থোকহল্লিবা অসি থোক্লিংঙাই মরম করিসু লৈতে। মরমদি লোইশঙ অসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা অমসুং লৈপাক মীয়ামগীসু মীৎ-নাকোং লৌশিং কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা চৈথারোন কুম্বাবা আসিদি লৈপাক অসিগী নিংথৌ পাল্লিঙৈগী লৈঙাক ৱায়েনগী থৌদোক ৱাথোকশিং অমসুং খ্বাই মীয়ামগী য়াওনা লৈপাক নিংথৌ খঙনা হায়বদি মীয়ামগী ওইনা লোইশঙসিগী লাই ওইখ্রবশিং পাথাংকো-পুথাংকোক মচা-মনাও ওইবশিংনা মথং মথং নাইনা ইথরকখিবনি হায়রি।

চৈথারোল কুম্বাবা অসিদা অসুম্না পল্লি ' অমোম ৱাকোঙগী কুম শোক ১৬৫৪ + ৭৮ (খৃষ্টাব্দ ১৭৩২গী ওক্টোবর তাং ৫, নোংমাইজিং নুমিৎ, মেরা থাতি থাঙচানা হলএ, মৈম চীঙ মতোল তেমতৈএ, ১৭নি লংমাইচিংতা মৈতৈ লৈমা মাংহলএ, লোইশঙগী অরিবা ময়েক্তা লাঃ ৪৭, লোইশঙনা অয়াবা পীদুনা নৌনা ফোঙবদা লাঃ ৪৪, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, মণিপুর লাঃ ৯৩, হায়রিবা অসি লাইরিক লৈমা, মহেগী লাইরেন্থী অসিবু মৈতৈ লৈমা হায়না খঙনগনি, খঙনরিবনি হায়রি।

কুম্বাবদা ইরিবা লৈপাক্কী থৌদোক ৱাথোকশিং অসি নুংগী ওইবা, মনুংদা অরুবা ঈচেল য়াম্না লৈবা মরম্না চৈথারোন কুম্বাবগী হীরম অসিদা য়াম্না কুপ্পা খঙ হৈরবা লৈপাকনা মশক খঙলবা লৈপাক্কী কুরু মাইচৌশিংবু নিংথিনা মনাক্তা ফম্লগা পাবগী চৎনবী লৈরিবা খুৎই অদুগী লাইরিক মখল অমনি। অচুম্বা ৱাফম অদুবু নমহৎলগা অরানবা অদুবু অচুম্বা ওইহনগদবনি হায়বদুদি কুইর-কুইরগা অচুম্বা কনানো, অরানবনা কনানো হায়বদু চীংঙু লাইগী ৱায়েন্না নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শুংশোই সোইদনা ময়েক সেংনা খ্বাই মীয়াম্না উবা ফংবীরগনি হায়রি।

অরোইবা ওইনা লৈপাক মীয়ামগী মফমদা মণিপুর পণ্ডিত লোইশঙগী মায়কৈদগী হায়জনিংবদি পুয়া মৈ থাবগী নুমিৎ থাবান খৃষ্টাব্দ ১৭৩২ মেরাগী ১৭নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎ হায়বসিদা য়েৎননিংঙাই করিসু লৈতে। চৈথোরোল কুম্বাবগী মমাঙদা ওইরোইদবা মঙলানগী ৱাখন্দগী পুথোক্লকপা ঙরাংগী লাইরিকনা খক লেপ্পা ওইথোক্তে। ইরমদম অসিগী পুৱারীবা তাংজা লিলনা মরৈ অনী লোংবগুম্না লোংহনবদি লোইশঙগী মায়কৈদগী পামজদে। ইরমদসিগী পুৱারীবী লান্না লমজিংনবা খক হোৎনদবা ফগনি হায়রি।

পুয়া মৈ থাবগী মরমদা লোইশঙ অসিগী ওইবা ৱাফমদি চৈথারোল কুম্বাবগী ৱাফম্না খন্নাই অসিগী অরেপ্পনি। মেরাগী ১৭নি পানবা অসি নৎতনা অতোপ্পা মফম মরাং খঙদবা নুমিৎ নৎত্রগা থাবান্দা পাঙথোক্লকপা খুদিংমক ইরমদম অসিগী পুয়া মৈ থাবগী থৌরম মনিপুরী নেসনেলিজমগী শক্তমদা অকায়বা পীরকপনিনা খ্বাই মীয়াম্না থিংজিনবগদবনি হায়রি।

## হজ-২০১৫গী ফোর্ম ফংলগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬(ঐচ এন এস)ঃ হজ কমিটি ওফ ইন্দিয়াগী খুত্থাংদা হজ-২০১৫গী এপ্লিকেসন ফোর্ম থাবা অমসুং পীশিনবা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৯দগী হৌরগনি। গাইদলাইন্স য়াওবা বূকলেট অমসুং হজ এপ্লিকেসন ফোর্ম লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৯দগী মণিপুর ষ্টেট হজ কমিটিগী ওফিস্তগী ফংলগনি অমসুং নিংথিনা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি। এপ্লিকান্টশিংনা কুমজা ২০১৫গী ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা ইস্যু তৌবা ভেলিদ ইন্দিয়ান ইন্টর্নেসনেল পাসপোর্ট পায়গদবনি। লোয়নন্না অকুপ্পা মরোল মণিপুর ষ্টেট হজ কমিটিগী থবক শুবা নুমিৎশিংগী ওফিস মতমদা ফংগনি হায়না কমিটি অসিগী ইগজিক্যুটিব ওফিসাস এম দি সলাউদিন খাননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## জে এ সিনা ৱাফম কয়া তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ ঃ জে এ সি ওন পিপল ওফ উশোইপোকপিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, রেভিন্যু মিনিষ্টর, কম্মিস্নার/ সেক্রেটরি (রেভিন্যু), থৌবালগী দি সি, সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দসকী দিরেক্টর, ভিজিলেন্সকী এস পি অমসুং থৌবালগী এস পিদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ৱাফম কয়া থবক্ত ওন্থোকপিনবা তকশিনখ্রে হায়না জে এ সি অসিগী কনভীনর এম এ গাফর শৈখনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্না ১৭-লিলোং চাউবোক দি-রিজার্ভ এরিয়া ওফ উশোইপোকপি ফিশরি নম্বর ২৩১গী গৌহাটি হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অমসুং দি সি থৌবালনা কেস লোইদুনা হান্না পীদুনা লৈরবা ওর্দরশিংগী মতুং ইন্না মতম কুইনা চয়েৎনহন্দুনা শেংদোকপিদনা লৈরিবা লমগী রেকোর্দশিং চুমথোকপিয়ু অমসুং চয়েৎনবা অসি শেংদোকপিদ্রি ফাওবা খৎন-চৈনবা থোক্তনবগীদমক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ওর্দর অসিগী মনুংদা য়াওবা দাক নম্বরশিং অসি অথিংবা থম্বীয়ু।

গৌহাটি হায় কোর্ট অমসুং থৌবাল দি সিগী ওর্দরশিং লৈ হায়বা খঙনা খঙনা লৈঙাকনা পীদবা অশাবা এলোটমেন্ট ওর্দর অমসুং চৎনদ্রবা মোদিফাইদ তৌখ্রবা এলোটমেন্ট ওর্দরশিং শীজিন্নদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংদা লম য়োম্থো য়োনশিন তৌদুনা অকনবনা ফার্ম তৌশিন্দনা ওফিসলশিংগা মান্নদুনা পাট্রাদা মিং পানশিন্দুনা নৌনা কেস কয়া থোক্লবা শীন্দুনা অমসুং তৌশিন্দুনা চমজরবা মীওই কয়াদা অৱাবা পীবীবতা নৎতনা অরেম্বদা শেল তিংহনবদা চেন্নরিবা মরাল লৈরবা মীওইসিং অমসুং ওফিসলশিং অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থিদোক্তুনা ফাদুনা চৈরাক পীবীয়ু হায়রি।

লোয়নন্না অরেম্বদা তিংহনখিবা শেলশিং শিংহনবীয়ু অমসুং মতম কুইনা লৌকোন অসিগী জে এ সিনা তান্দুনা লাক্লিবা মীয়ামগী অৱাৎ-অপাশিং অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেংদোকপিদুনা অমসুং পীবীদুনা মতম কুইনা য়াম্না ৱানা ঙাইজরক্লবা মীয়মগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়নসু মেমোরেন্দম অদুনা মখা তানা তকশিনখি হায়রি।

## য়ুঠ ফেষ্টিবেলদা মনা কয়া লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ঃ মণিপুর গভর্নমেন্টকী য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌবা নহা ৭৪, ওফিসল ৬ অমসুং এৱার্দি অমনা অসামগী গুৱাহাটিদা হৌখিবা জন্যুৱারী ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৯শুবা নেসনেল য়ুঠ ফেষ্টিবেল, ২০১৫দা শরুক য়াখ্রে। ইনিদয়াগী ষ্টেট ২৮না শরুক্না ফেষ্টিবেল অদু মণিপুরগী টিম্না কম্পিটিটিব আইটেম ১১দা শরুক য়াখি। টিম অদুনা লুপা লিশিং ১০, লুপা লিশিং ২৪ অমসুং লুপা লিশিং ২০গী মনা ওইবা ক্লাসিকেল মণিপুরী দান্সতা অহানবা, ৱান এক্ট প্লেদা অনীশুবা অমসুং ফোক সোংদা অনীশুবা তারকখ্রে হায়না য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টর এল জয়ন্তকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## 'অচুম্ববু নাথৈনবা হোৎনবশিং চৈরাক পীয়ু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ জেলিয়াংরোম য়ুঠ ফ্রন্ট, অসাম, মণিপুর , নাগালেন্দ অমসুং য়ু এন সিগী প্রসিদেন্টনা পাউচেশিংদা চীংখম চীংগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি নাকল নাম্মগী লেপ্পনি। মরমদি চীংখবা কবুই ভিলেজগী লমখৈ মনুংদা শাবা য়ুম থুদেকখি হায়বা ৱাফম অসি অরানবা ৱাফম্নি হায়না লিলোং চীংখম ময়া দিভলপেমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম দি ফিরোজ খাননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীংখম কবুই ভিলেজগী লমখৈ হায়বসি কদায় ফাওবনো অমসুং একর কয়া চীংখম কবুইগী লমখৈনো হায়বসি জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্ট অমসুং য়ু এন সিনা তাকপা ঙমগদ্র?

মদু ময়েক শেংনা তাকপা অমসুং রেকোর্দ পুথোক্তুনা অফবা অচুম্বা হীরমদা নৈনবা ওইরবদি য়াম্না ফৈ। মদু নৎতনা চীংখম কবুইনা অরানবশিং সি লোৎশিন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা চৎতুনা অমসুং লৈম্নি বা এ সি অসিগী মনুংদসু ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াদা ৱানোমদুনা চীঙখম কবুইগী সপোর্টতা ফোঙদোকপিয়ু হায়দুনা ফোঙদোক্লিবা সি মুস্লিম মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙই।

জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্ট অমসুং য়ুএন সিনা সেকেন্দ থোট য়াওবা সোসল মাইন চেনবা লূপ ওইরবদি লিলোং চীংখম চীং অসি চীংখম কবুইশিংগী একর কয়ানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙবীব্রা? লিলোং এ সিগী মীয়ামগী চীংখম কবুইশিংগা করম্বা শক্তমদা হিংমিন্নরকখি হায়বা পুৱারী খঙবীব্রা? য়ু এন সি অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অনীগী ৱাফম অসিদি গারি থৌরিবা দ্রাইভর মনা মীয়ামনা থৌরিবা লম্বী অদুদা থৌদনা অরানবা মায়কৈদা থৌবগুম্বনি। মরম অদুনা নুংগী ওইবা ৱাফশিং খঙদনা পংফোঙ ফোঙদোকপনা মায়থিবা নৎতনা করিসু ফংলোই হায়রি।

চীংখম কবুইশিংনা খুন্দারিবা মফম কনানসু অয়েৎপা পীবা লৈতে। কোর্টতা কেস লৈনরিবা মফম অসিদা জে সি বি শীজিন্নদুনা চীং অসিবু তেমখায়ু হায়বা ওর্দর পুথোকপা ঙমগদ্রা অমসুং কেস নৈরিবা মফম অসিমক্তদা য়ুম শানবা থৌরাংলকপবদা অথিংবা পীবা অসি য়ু এন সি অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন ওইরল্লবদি লাল তৌদুনা মীশি-মীনা কয়া থোক্লম্বা য়াই। মুস্লিম মীয়ামদি অচুম্বা অদু পাম্বনা কোর্টকী য়াথং ঙাইমিন্নসি হায়না অথিংবা পীবনি হায়রি।

## 'করম্সন লৈহন্দবা ওজাশিংনা পাম্মি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ঃ ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী লেকচরর ৱেলফেয়র এসোসিএসনা লৈপাক অসিদা করম্সন লৈহন্দনবা মীদিয়াগী থোঙদা কয়ারক ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। ওজাশিংগী মরক্তা সেনিয়ারিটি লৈতবা য়াওরকপদা ঐখোয় মশেল কয়ারক ৱারক্লজে অদুবু চৈরাক পীবা হায়বদুদি লৈঙাকনা পাঙথোক্কদবনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ওজাশিংগী মরক্তসু করম্সন চঙলক্তবা নৎতে। মসিদি লু-তোংদা চঙখ্রবা ফৎত্রবা মহীকুম্না ওইরবনিনা ওজাশিংসু করম্সনগী মমি তারকপা য়াওদবা নৎতে। অদুবু অতৈ পুন্নমক্তগী ওজানা খরমখৈ শেংলি।

করম্সন্না হীরম খুদিংমক্তা মথং মথং শন্দোকখিদুনা ফৎত্রবসু করম্সন হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংগুম লৌনরকপা অসিনি খ্বাইদগী ফৎত্রিবসি। লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়া করম্সন্না চাথোক্তবা লৈত্রে হায়বা য়াই, করম্সন্না মরম ওইদুনা মুৎপা য়ানা ফৎত্রবা লোইশঙশিং লৈরবনি। মথক থোংবা লৈঙাকপশিংগী থাক মীয়াম্না খঙনরিবনি। করম্সন হায়বসি কনানা ফহনগদে, কনানা অফবা করম্সন লৈতবা লৈপাক অমা ওইহল্লক্কদগে? ওজাশিংগীদি ফৎত্রে হায়না লাউজবগা লোয়নন্না করম্সনগী মায়োক্তা খোঙ থাংজিল্লবনি, পুন্নমকনা শৌগৎ-পিরকপদুনি পামজরিবসি হায়রি।

## য়াশিন্নবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ঃ জন ধন যোজনাগী একাউন্ট হাংবদা অমসুং পাসবুক্তা শেল শুদনা চঙবগা চন্নবা অমা মোইরাংখুনৌ গ্রাম পঞ্চায়টতা থোকখিবা অদু বেঙ্ক ওথোরিটি অমসুং মাস য়ুনাইটেদ গ্রীন এসোসিএসন (মুগা), তোরোংলাওবীগী মীওইশিংগা ফম্মিন্নদুনা শেংদোক্লবগা লোয়নন্না মীয়ামগী য়েংলগা থবক তৌবা লোয়নন্না যোজনা অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা বেঙ্ককী মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা হায়না য়ানবা পুরকখ্রে হায়না মুগাগী সেক্রেটরি এস বিজেতানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## মপোক কুমওন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ঃ পিপল'স এক্সন ফোর নেসনেল দেমোক্রেটি মুভমেন্ট (পান্দম)গী ৫রক শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৮গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী মেজোর খুন্দা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়না পান্দমগী আই পি আর সেক্রেটরি রোসনিকান্তা তখেলচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদু মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর রিটায়র্দ কর্নেল আর কে রাজেন্দ্র, মণিপুর ফাইনান্স এন্দ বিজিনেস লিমিটেদগী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর এন সান্ত অমসুং পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নমচা দিলিপকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা থোইদোকনা মীয়াম্না শক খঙলবা অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাইনা মীদিয়া অমসুং সি এস ওগা লৈনবা মরী, জে সি আই এল পি এস, মণিপুরগী কনভীনর ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা কংলৈপাক (মণিপুর)দা আই এল পি চৎনহবগী তঙাই ফদবা অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওথ কম্মিস্নার এদভোকেট ৱাহেংবম লতানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন হায়বা হীরমশিং অসিদা ৱাঙাংগনি হায়রি।

পান্দমনা হৌখিবা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা পাউদম্বদা নৎতনা মখা তানা পান্দমগী মায়কৈদগী পাঙথোক্কদবা হীরম কয়াদা মপুং ফানা পুথোক্তুনা নৈনগনি। মণিপুরদা ৱাথোক ওইরিবা মৈ-ঈশিং, শেঞ্জা-থুমজা থেংননবা খোঙজং কয়াগী মতাংদা অমসুং হৌজিক হৌজিক মণিপুর মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়াগী মতাংদা কুপ্পা খন্না-নৈনবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা হীরম ওইগনি। চেপাউফংবীবা পুন্বনা মতম চানা লেঙবীরক্লা পাউজেঞ্জরি হায়রি।

## 'ফিরোজ মীহাৎকী অশেংবা পুথোকউ'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ লিলোং ময়াই লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা নুরউদ্দিনগী মচানুপা এম দি ফিরোজ এলিয়স অমু (৩৫) হৌজিকসা মিনুংথোং টেলিপটিতা লৈবা মহাকপু হৌখিবা জন্যুৱারী ১৫গী নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ তাবদা খাঙবোক্কী মার্কেট কমপ্লেক্স, থৌবাল এস পি ওফিস মনাকমক্তদা মশক খঙদবা মীওই খরনা মীনুংশি লৈতনা তমথীনা হাৎতোকপিরম্বা অদুবা মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুর (এম সি এম)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এম সি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি হাজি অরাফাট অলিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়,মীশি অসিগী মতাংদা লৈরিবা দুকা, ভেন্দরশিং অমসুং রেসিদেন্সিএলশিংগী মীওইশিংনসু খরা খঙফম থোকপ্রা হায়না খল্লি। হায়রিবা এম দি ফিরোজ অসি কাঙবোক্কী মার্কেট কমপ্লেক্সমক্তদা শিনা ফংবা হায়বসি অঙকপা মশক্লি। হায়রিবা কমপ্লেক্স অসিদা য়ুগী দুকান অমসুং মফম অসিদা ফৎতবা মী হায়বদি য়ু ঙাওবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা নৎত্রগা কনাগুম্বগী খুৎশিন-থৌরাং তৌরগা হাৎপরা হায়না চিংনদবা ঙমদে।

এম দি ফিরোজ অসি ইচম চমজবা নোংমগী হিংনবগীদমক অফং অফংবা শু নোমজদুনা নুপী-অঙাংশিংবু থাকপা ঙম্নবা হোৎনজরিবা মীওইনি। হৌজিক ফাওবা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাকনা থবক অমা ফাওবা লৌখৎপা ঙমদবা হায়বসি লো এন্দ ওর্দর লৈতবা অমসুং লৈঙাক পান্দবা লমদম অমগুম্বগা চপ মান্নরে। মীশি অসিদা কনাগুম্বনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী ৱাখল্লোন্দা তৌবীদবনসু ফৈ। মী অমবু মরাল লৈবা লৈতবা খঙদনা হেক্তগ হাৎতোকপিবা হায়বসি মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোন নৎতে, শা-ষণনা চৎকদবা লীচৎনি। মরম অদুনা মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাকনা মতম চানা কুপ্পা য়েংশিনবীদুনা মীহৎ অসিগী লংলা লংজিন অথুবা মতমদা মীয়াম মাঙদা পুথোক্কদবনি নৎত্রবদি পুন্নমসিগী খুদোংথীবা অদু লৈঙাকনা পুগদবনি হায়রি।

## ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ঃ লম কয়াদা খুৎ থারকপা অইবা ফুরাইলাৎপম রেবতি তোঙান-তোঙানবা মনা মথুম মমাঙদা ফংখিবতা নৎতনা হন্দক চহীদসু দলিট সাহিত্যা একাদেমীগী সাহিত্যা রত্ন ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী পেলেস গেটতা লৈবা এল দি এম আর্টস সেন্টরগী মিনি ওদিটোরিয়মদা মুত্থ্রা তোম্বনা অথোইবা ওইনা লেঙশিন্দুনা ফুরাইলাপম রেবতিবু তরাম্না ওক্তুনা সাইটেসন অমসুং লেঙ্গান ফিপীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না এল দি এম আর্টস সেন্টস, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন বীরেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।










## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1445**


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 4 | | | 6 | | | |
| 1 | 8 | | | 3 | | | | 6 |
| | | | 4 | | | 7 | | |
| 2 | | | | | | 9 | | 5 |
| | | 7 | | | 5 | | | |
| | | 6 | | 7 | 1 | | 8 | 3 |
| | | | 9 | | 3 | | | |
| 5 | | | 6 | | | | 1 | |
| | | | 7 | | | | | 4 |

**Solution-1444**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 9 | 2 | 5 | 8 | 4 | 3 | 7 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 | 6 | 9 |
| 7 | 8 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 7 | 2 | 6 |
| 3 | 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 9 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 9 | 6 | 2 | 8 | 5 |
| 6 | 9 | 2 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 | 1 |
| 8 | 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 6 | 9 | 4 |

## CROSSWORD-1637




**ACROSS**

1 Brothers (8)
6 Top card (3)
9 Put to use (5)
10 Warlike (7)
11 Group of soldiers (7)
13 Vote into office (5)
14 Required (6)
15 Magician (6)
19 Quarrelled (5)
21 Card game (7)
22 Stir up (7)
23 Fatuous (5)
24 Concealed (3)
25 French emperor (8)

**DOWN**

2 Put back (7)
3 Plaything (3)
4 Gypsy (6)
5 Scandinavian language (9)
6 Lithe (5)
7 Brilliant success (5)
8 Occur (6)
12 In the red (9)
16 Savoury pear-shaped fruit (7)
17 Hazard (6)
18 Maintenance (6)
19 Arrive at (5)
20 Eerie (5)
23 Sick (3)

**Solution 1636**



SOLUTION ON NEXT ISSUE